ফোদেন অমসুং গ্রিনৱুদ এস ও পি থুগাইবগীদমক ময়ুম হনখ্রগনি

রেক্যবিক, সেপ্টেম্বর ০৮ (এজেন্সী): হৌজিক হৌজিক য়ুরোপকী তোঙান-তোঙানবা সিটিশিংগা পাঙথোক্লিবা য়ুরোপিয়ন নেসন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট শরুক য়ারিবা ইংলেন্দগী নহা ওইরিবা শান্নরোয় অনী, ফিল ফোদেন অমসুং মেসন গ্রিনৱুদ কোভিদ-১৯ প্রোটোকোল থুগাইরুবগীগমক ময়ুমদা হল্লহনখ্রগনি।

আইসলেন্দগা শান্নবা মেচ অদুদা শান্নরোয় অনীম্মক ইংলেন্দগী সেনিয়র টিমদা অহানবা ওইনা শরুক য়াখিবনি। মখোয়না লৈরিবা বাইও-সেক্যুর ববল হোটেলগী কাদা মখোয়বু মপান্দগী নুপী অনীনা উন্নবা লাক্লমখিবনি। ইংলেন্দগী মেনেজর জেরেথ সাউথগেথনা ঙরাং লাওথোকখিবদা মহাক্কী টিম অদুগী শান্নরোয় অনীনা কোভিদ-১৯গী পোটোকোল থুগাইরে হায়বা পাউ ফংবদগী অথুবদা ৱারেপ লৌদুনা টিম অসিনা নেসন্স লীগকী মখাতানা শান্নগদবা দেনমার্ক্কী মেচ অদুদা মখোয় অনী য়াওররোই, ইংলেন্দদা তোঙান-তোঙানবা ফ্লাইটশিংদা হলহনখ্রগনি হায়বগী ৱারেপ লৌখি।

ফোদেন অমসুং গ্রিনৱুদগী মায়কৈদগী মখোয়না য়াম্না মেচ্যুর ওইদবা অমদি রেস্পোন্সিবল ওইদবা খোংথাং অমা লৌখিবগীদগমক পূম্নমক্কা ঙাকপীনবা ৱারোল ফোংদোরকখি।

ইন্দিয়াগী বোপানা অমসুং কনাদাগী শাপোভালোব লৈহৌরে, সিঙ্গলসকী ক্বার্টর ফাইনেল লাইনঅপ লোয়খ্রে

ন্যু য়োর্ক, সেপ্টেম্বর ৮ (এজেন্সী): য়ু এস ওপন গ্রান্দস্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্টকী ওইনা ইন্দিয়াগী কেম্পেয়ন লোয়শিনখ্রে। রোহন বোপানা অমসুং মহাক্কী কানাদাগী পেয়্যর দেনিস শাপোভালোভ ঙরাং শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা নেদরলেন্দসকী জোন জুলিয়ন রোজর অমসুং রোমানিয়াগী রোরিয়া টেকাওগী মখুত্তা মায়থীহৌখি। সিঙ্গলসকী ওইনা ক্বার্টর ফাইনেল লাইনঅপ লোয়খ্রে।

ঙরাং শান্নখিবা নুপাগী দবলসকী ক্বার্টর ফাইনেল মেচ অদুদা মায়কৈ অনীমক্কী লম্বা য়াম্না মান্নখ্রবসু নেদরলেন্দস অমসুংরোমানিয়াগীপ্যের অদুনা ইন্দিয়াগী অমসুং কানাদাগী প্যের অদুবু ৭-৫, ৭-৫দা থোইদুনা সেমীফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি।

মায়পাক্লবা রোজর অমসুং টেকাওনা মখোয়গী সেমীফাইনেলদা গ্রেট বৃটেনগী প্যের জেমি মুরে অমসুং এন স্কুপস্কিবু ৬-২, ৭-৬(৭-৪)দা থোইরম্বা ক্রোসিয়াগী মেট পাবিস অমসুং ব্রাজিলগী ব্রুনো সাওরেজগা লম্বা তৌনরগনি।

কাংলুপ অসিগী অতোপ্পা সেমীফাইনেলদনা য়ু এসকী রাজিব রাম অমসুং গ্রেট বৃটেনগী জো সালিসব্যুরিনা ক্রোসিয়াগী নিকোলা মেকটিক অমসুং নেদরলেন্দসকী ৱেসলি কুলহুফকা লম্বা তৌনরগনি।

য়ু এস ওপনগী ঙরাং শান্নখিবা মেচশিং অদু লোয়শিল্লকপদগী নুপীগী দবলসকিসু সেমীফাইনেল য়ৌবা প্যেরশিং মশক খঙবা ঙমখি। ৩শুবা সিদেদ প্যের য়ু এসকী এন মেলিচার অমসুং চাইনাগী ৱাই জুনা টুর্নামেন্ট অসিগী য়ুম্বু য়ু এসকী প্যের এ মুহম্মদ অমসুং টি টাউনসেন্দগা লম্বা তৌনরগনি। অদুগা অতোপ্পা সেমীফাইনেলদনা রসিয়াগী প্যের এ ব্লিনকোভা অমসুং ভি কুদরমেটোভানা জর্মনিগী এল সিজমুন্দ অমদি রসিয়াগী ভিরা বোনারিভাগা লম্বা তৌনরগনি।

নুপা অমসুং নুপীগী সিঙ্গলসকী ক্বার্টর ফাইনেল লাইনঅপ লোয়খি। নুপাগী অনীশুবা সিদেদ শান্নরোয় ওষ্ট্রিয়াগী দোমিনিক থিয়মনা ঙরাং কানাদাগী ওগর অলিয়াসিমেবু ৭-৬(৭-৪), ৬-১, ৬-১দা থোইদুনা অতোপ্পা কানাদাগী শান্নরোয় ভি পোস্পিসিলবু ৭-৬(৮-৬), ৬-৩, ৬-২দা থোইরম্বা ওষ্ট্রেলিয়াগী এ দি মিনোরগা ক্বার্টর লম্বা তৌনরগনি।

অহুমশুবা সিদেদ রসিয়াগী দানিল মেদবেদেব অমসুং অতোপ্পা রসিয়াগী শান্নরোয় এন্দ্রি রুব্লেবকা ক্বার্টর লম্বা থেংনগনি। মেদবেদেবনা য়ু এসকী এফ টিয়াফোবু ৬-৪, ৬-১, ৬-০দা থোইখি। অদুগা রুব্লেবনা ইটালিগী এম বেরেটিনিবু ৪-৬, ৬-৩, ৬-৩, ৬-৩দা থোইবা ঙমখি।

নুপীগী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা মেচশিংগা মায়পাক্তুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখিবা শান্নরোয়শিংগী মনুংদা অহুমশুবা সিদেদ শান্নরোয় সেরেনা ৱিলিয়মস য়াওরি। মহাক্না গ্রিসকী মারিয়া সকারিবু ৬-৩, ৬-৭(৬-৮), ৬-৩দা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেলদা রসিয়াগী স্বেটানা পিরোনকোভাগা লম্বা তৌনগদৌরি। পিরোনকোভানা মহাক্কী প্রি ক্বার্টর ফাইনেলগা ফ্রান্সকী এলিজ কোর্নেটপু ৬-৪, ৭-৬(৭-৫), ৬-৩দা থোইরমখি।

অতোপ্পা ক্বার্টর ফাইনেলদা লম্বা তৌনগদৌরিবা শান্নরোয়শিং অদুদি বেলারসকী ভিক্টোরিয়া অজারেনকা অমসুং বেলজিয়মগী এলিজ মর্টেন্সনি। অজারেনকানা মহাক্কী প্রিক্বার্টর ফাইনেল মেচতা জেক রিপব্লিক্কী কে মুকোভাবু ৫-৭, ৬-১, ৬-৪দা থোইরমখিবনি।

অদুগা বেলজিয়মগী এলিজ মর্টেন্সনা নুপীগী অনীশুবা সিদেদ শান্নরোয় য়ু এসকী এস কেনিনবু ষ্ট্রেট সেট অনীদা ৬-৩, ৬-৩দা থোইদুনা লাকখিবনি।

মরক অসিদা নুপীগী ৱর্ল্ড নম্বর ৱান শান্নরোয় ওইরিবী ওষ্ট্রেলিয়াগী এসলি বার্টিনা সেপ্তেম্বর ২৭তগী ওক্টোবর ১১ ফাওবা পাঙথোক্কনি হায়না তৌরিবা ফ্রেঞ্চ ওপন গ্রান্দস্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্টতা মশাগী হকচাং ফবা য়ৌদবা অমসুং শেমশাবা ৱাৎপদগী শরুক য়াররোই হায়রি।

বোক্সর লাইশ্রম সরিতা রিকভর তৌরে, য়ুমদগী থাপ্না আইসোলেসন্দা লৈরি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৯ (ঐচ এন এস): মমাংদা বোক্সিং ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন ওইরম্লবা লাইশ্রম সরিতা কোভিদ-১৯দগী রিকভর তৌখ্রে। অদুবু মহাক্কী ময়ুমদগী থাপ্তোকপা মফম অমদা মখাতানা মহাক্কী মচানিপাদা অশোই-অঙাম য়াওরক্তনবা নুমিৎ ১০ অমগা ক্বারিন্টিন তৌদুনা লৈরি।

মশাগী চহী ৩৮শুরবী সরিতা অমসুং মহাক্কী মপুরোইবা থোইবগা পুন্না ওগষ্ট ১৭তা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইখিবনি। মহাক ইম্ফালগী কোভিদ-ক্যের সেন্টর অমদগী ঙরাং টেষ্ট তৌবদা নেগেটিব ওইরকপদগী দিসচার্জ তৌরকপনি।

সরিতানা ফোঙদোকখিবদা মহাক্কী মপুরোইবা হৌখিবা চয়োলদা নেগেটিব ওইবদগী মাংজৌননা দিসচার্জ তৌখ্রবনি। অদুবু মহাক্কী টেষ্ট অদু পোজিটিব ওইরকপগী কেভিদ-ক্যের সেন্টরদা মখাতানা লৈথহৌবনি। অদুবু মখাতানা টেষ্ট তৌবদা নেগেটিব ওইরকপদগী ঙরাং দিসচার্জ তৌখিবনি।

মহাক্কী চহী ৭তা ঙাইরিবা মচানিপা তোমথিনগী য়েংলগা মহাক ময়ুমদা খুদক্তা হনবগী মহুত্তা মহাক্কী একাদমিগী হোষ্টেলদা সেল্ফ আইসোলেসন তৌদুনা লৈরিবনি। তোমথিনদি মমাংদা টেষ্ট তৌবদসু নেগেটিব ওইখি। সরিতানা মখাতানা ফোঙদোরকপদা মহাক্না করিগুম্বা ময়ুম হেক য়ৌবগা তোমথিন্না চেনশিল্লক্কদবা মরম্না রিস্ক লৌবগী মহুত্তা নুমিৎ ১০গী আইসোলেসন তৌরিবনি হায়না ফোঙদোকখি।

মহাক্কী মপুরোইবা অদুসু একাদমীগী হোষ্টেলদা লৈমিন্নরি অদুবু মহাক্কী ক্বারিন্টন মতম নোংম-নীনীদা লোয়গদবা মরম্না ময়ুমদা মঙোন্দগী হান্না হনখ্রগনি। সরিতা কোভিদ-১৯গী লায়ওং অমত্তা উন্থোক্তনা লৈরকখি। মশা নীংফু-নীংফু শারকপা অমসুং নাতোন ফুনবদগী টেষ্ট তৌথোক্লুবদা মপুরোইবগা মহাক্না পুন্না পোজিটিব ওইরকখিবনি।

হৌরকপদা মহাক ৱাখল য়াম্না শোন্থখি। অদুবু মীওই কয়া অমসু লায়না-লাইচৎ অসিগা লান্থেংনরম্বা অদু উরকপদগী ভাইরস অসিনা ঙমহনবা য়াদে হায়বগী থৌনাগা লোয়ননা ৱাখলগী পাঙ্গল শোন্থন্দনা লৈরবা মতুং ঙসিদি নেগেটিব ওইরে হায়না ফোঙদোরকখি।

নীংশিংবা য়াই, ইন্দিয়াগী বোক্সরশিংগী মনুংদা মহাক্না কোভিদ-১৯ পোজিটিব ওইবা অনীশুবনি। মহাক্কী মমাংদা মমিং লৈরবা এসিয়ন গেমস গোল মেদালিষ্ট ডাঙোম দিঙ্কুনা অহানবা কোভিদ-১৯ পোজিটিব ওইখিবনি। মহাকসু থা অমরোম হোস্পিটালদা লায়েংলবা মতুং দিচার্জ তৌখি। সরিতা ইন্দিয়াগী মমিং লৈরবা নুপী বোক্সরশিংগী মনুংদা অমনি।

য়ুরোপিয়ন নেসন্স লীগ

ইটালিনা নেদরলেন্দসপু পাঞ্জল ১-০দা মায়থীবী পীখ্রে, পোলেন্দনা বোসনিয়া হর্জিগোবিনাবু ২-১দা থোইবা ঙমখ্রে

অমষ্টর্দম, সেপ্টেম্বর ০৮ (এজেন্সী): নেদরলেন্দসকী সিটি অমষ্টর্দমদা লৈবা জোহান ক্রুইপ ফুটবোল এরেনাদা ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা য়ুরোপিয়ন লিগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী লিগ এগী গ্রুপ মেচ অমদা য়ুম্বু ওইখিবা নেদরলেন্দস ইটালিনা পাঞ্জল ১-০দা থোইখ্রে। গ্রুপ অসিগী অতোপ্পা মেচ অমদা পোলেন্দনা বোসনিয়া হর্জিগোবিনাবু পাঞ্জল ২-১ দা মায়থীবা পীখ্রে।

ঙরাংগী মেচ অদু থারগা গ্রুপ অসিগী ওইনা টিম মরিমক মেচ ২/২ শান্নবা লোইশিনখি। অহানবা মেচতা ইটালিগী টিম বোসনিয়া হর্জিগোবিনাগা দ্রো চৎখি। মদুগী মতুং ঙরাং শান্নবা মেচ অদুদা ইটালিগী মায়কৈদগী বোল হেন্না পায়দুনা য়ুম্বু ওইখিবা নেদরলেন্দসকী মায়োক্তা শান্নবা ঙমখি। মেচকী অহানবা হাফকী অয়াম্বা মতম পাঞ্জল চন্নবা ঙমখিদে। অদুবু হাফ অদুগী অরোইবা মীকুপতা ইটালিগী মায়কৈদগী সিরো ইমোদলনা পাস তৌরকপা বোল অমা টিম মেট নিকোলো বারেলানা পাঞ্জল চন্দুনা নেদরলেন্দসপু ইটালিনা ১-০দা মাঙজিল থারগা চৎখি।

অনীশুবা হাফতা নেদরলেন্দসকী টিম গ্রুপকী অহানবা মেচতা পোলেনবু মখোয়না থোইবা ঙমখ্রবসু ঙরাংগী মেচ অদুদদি পাঞ্জল শোথনা অনীশুবা হাফতা শান্নবা হৌরকখি। ইটালিগী মায়কৈদগী মখোয়না অহানবা হাফতা চনখিবা পাঞ্জল অদু হন্দোক্তনবা শান্নবা ঙমখি। অমরোমদা নেদরলেন্দসকী শান্নরোয়শিংনা ইকোলাইজর ফংনবা মখোয়গী অরৈবা পাঙ্গল পুথোরকখি।

মেচকী অপীবা মিনট ৯০ লোইশিল্লক্লুবা ফাওবদা নেদরলেন্দসকী মায়কৈদগী ফনা কন্না হোৎনরবসু শোথখিবা পাঞ্জল অদু হন্দোকপা ঙমদনা টিম অদু মায়থীহৌখি।

ঙরাং গ্রুপ অদুগী অতোপ্পা মেচ অমদা পোলেন্দনা য়ুম্বু ওইরগা লৈবাক অদুগী বিলিনোপোলি ষ্টেদিয়মদা শান্নবদা য়ুম্বু টিমনা পাঞ্জল ২-১ দা মায় পাকখি। মেচকী অহৌবা শরুক ২৪ শুবা মিনটতা বোসনিয়া হর্জিগোবিনাগী মায়কৈদগী হেরিস হজ্রাদিনোবিসনা মেচকী অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি।

পোলেন্দগী টিম গ্রুপ অসিগী অহানবা মেচতা মায়থীবা নংখিবা মরম্না মায় পাক্তবা য়াদবা মেচ অমা ওইখি। অহানবা হাফ লোইরমদাইদা টিম অদুগী কামিল গ্রোসিকিনা খাইরকপা বোল অমা টিম মেদ কামিল গ্লিকনা ইক্বেলাইজর অদু ৪৫ শুবা মিনটতা চনখি।

শান্নবগী ৬৭ শুবা মিনটতা মখা তানা এটেক চথবা হেনখিবা পোলেন্দগী মায়কৈদগী এম মাসিস রাইবসনা পীরকপা বোল অমা কামিল গ্রোসিকিনা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা ২-১ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি। বোসনিয়া হর্জিগোবিনাগী শান্নরোয়শিংনা পুংখায় ফাদ্রবা মতম অদুদা ইক্বেলাইজর ফংনবা হোৎনখিবা পুম্বা অরেম্বা তাদুনা পোলেন্দ মায় পাকখি।

মথং চহীদা টোকিও ওলিম্পিক গেমস শুংশোয় শোয়দনা পাঙথোক্নবা শীল্লগনি : ওলিম্পিক মিনিষ্টর

টোকিও, সেপ্টেম্বর ০৮ (এজেন্সী): জপানগী ওলিম্পিক মিনিষ্টর সৈকো হাসিমোতোনা ঙসি ফোঙদোকখিবদা, কুমজা ২০২১ দা ওলিম্পিক গেমস অসি শুংশোয় শোয়দনা পাঙথোক্লুবা শীল্লগনি হায়খ্রে।

ৱাফম অসি হাসিমোতোনা পাউগী মীফম অমদা ফোঙদোকখিবনি। গেমস অসি শান্নরোয়শিংগী য়েংলগা কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎনা পীরিবা চৈথেং কয়া অসি নাথৈনা থল্লগা পাঙথোক্তবা য়াদে হায়না খঙহনখি।

নীংশিংবা য়াই, চৎলিবা চহী অসিগী জুলাই ২৪ দগী ওগষ্ট ৮ ফাওবা পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বা টোকিও ওলিম্পিক গেমস অদু চাইনাগী ৱুহান সিটিদগী হৌরকখিবা কোভিদ-১৯গী লাইচৎনা মালেম শিনবা থুংনা চৈথেং পীরকপদগী ইন্টরনেসনল ওলিম্পিক কম্মিটি অমসুং জপান লৈঙাক্না পুন্না ৱারেপ লৌদুনা মার্চ থাদা গেমস অসি চহী ১ য়ৈথোক্লগা কুমজা ২০২১গী জুলাই ২৩ দগী হৌরগা ওগষ্ট ৮দা লোইশিন্নবগী অনৌবা মতম অমা লেপখি। ওলিম্পিক গেমস অসি মপুং ফানা পাঙথোক্লবগীদমক্তা মরী লৈনবশিংনা পুন্না থবক তৌমিন্নদুনা লাকখিবনি। অদুবু চহী ১ য়ৈথোকপা তারবসু গেমস অসিদা ইনভোল্ব তৌরিবা মীপুম খূদিংমক অমদি শান্নরোয়শিংনা চহী ১ য়ৈথোকপা মরম্না হান্না লৈরম্বা শেম-শাবগী ফীভম অদুদগী হোংদোক্তুনা নৌনা পোরম কয়ামুক য়াৎপা হৌনখি।

জপানগী ওলিম্পিক মিনিষ্টর হাসিমোতোনা মখা তাখিবদা, ওলিম্পিক গেমস অসি পাঙথোক্তবা শুংয়ামক য়াদ্রবনি। মালেমগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎ অসি শন্দোকপগী চাং হন্থবা মান্নদ্রবসু টোকিওদা অহেনবা থবক হাপচিন্দুনা লাইচৎ অসি লাকশিল্লগা গেমস অসি পাঙথোক্লুবা হোৎনগনি হায়খি।

জুলাই থাদা টোকিও ওলিম্পিক গেমসকী চীফ এগজিক্যুটিভ তোসিরোমুতোনা ইন্টর্ভিয়ু অমদা ফোঙদোকখিবদা, মালেমগী অতোপ্পা মফমশিংদা কোভিদ-১৯ লাইচৎ অসি লাকশিনবগী চাং অপান্থবা মওংদা য়ৌদ্রবসু ওলিম্পিক গেমস ওর্গনাইজরশিংনা ২০২১দা পাঙথোক্লনবা শেম-শারি হায়রি।

জপান্দা হৌজিক হৌজিক এথলেটশিংনা লৈগদবা গেমস ভিলেজ অদুদা এন্টি ভাইরসকী খোঙথাংশিং করম্না পায়খৎকনি। ফোরেন এথলেটশিংনা লাকপদা করম্না মখোয়গী চৎথোক-চৎশিন্দা কোমহনগনি অমদি ভাবোকশিংবু করম্না শেন্নগনি হায়বগী মতাংদা তোঙান তোঙানবা প্রপোজ ২০০গী মথক্তা হৌজিক হৌজিক খ্বাইদগী ফবা মওং অদু পাঙথোক্লুবা খন্ন-নৈনরি।

নাকল অমরোমদা, টোকিও ওলিম্পিক্সকী স্পোন্সরশিংনা মখোয়গী কন্ট্রেক্ট অদু এক্সপিয়র ওইরক্কদবা মতম নকশিল্লবসু শাংদোরক্তনবা মরম ওইদুনা মীপায়বা পোক্লরি। জপানদা স্পোর্টস মার্কেটিংগী খ্বাইদগী মমিং লৈরবা কম্পেনি দেন্টসুনা চহী অসিদা রেকোর্দ ওইনা য়ু এস দোল্লর বিলিয়ন ৩.১ খোমগৎপা ঙমখি। অদুবু কোভিদ-১৯ লাইচৎনা মরম ওইদুনা খোমগৎখিবা শেনফমশিং শীজিন্নদবা অমদি স্পোন্সরশিং অসিগী কন্ট্রেক্ট অদুসু শাংদোরক্তবা মরম্না শেলশিং অসি অমাংবগী লম্বেলদা চঙশিল্লকপা য়াই হায়না ফোঙদোক্লরক্লি।

চহী অসিগী জুলাই থাদা জপানগী ন্যুজ এজেন্সী কিয়োদোনা পাঙথোকখিবা পোল অমদা জপান্দা লৈরিবা মীওইশিংগী মরক্তা চাদা ২৪ খক্লা ওলিম্পিক গেমস অসি পাঙথোকপা পাম্মী হায়বগী রিজল্ট ফোঙদোকখি। প্রাইম মিনিষ্টর ওইরম্বা সিঞ্জো অবেগী মহুৎ শীনগদৌরিবা অদুনা তোপ তোপ্পা প্রোগ্রাম শীন্দুনা শোথরিবশিং অদু শেমগৎনবা হোৎনগদবনি হায়রি।

ফ্রান্সকী কিলিয়ন মাপে কোভিদ পোজিটিভ ওইরকপদগী ক্রোসিয়াগা শান্নগদবা মেচ য়াওররোই

পেরিস, সেপ্টেম্বর ০৮ (এজেন্সী): হৌজিক হৌজিক য়ুরোপকী সিটিশিংদা চথরিবা অনীরকশুবা য়ুরোপিয়ন নেসন্স লিগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী মরুওইবা টিম অমা ওইরিবা ফ্রান্সকী নহা ওইরিবা শান্নরোয় কিলিয়ন মাপে কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরকপদগী ঙরাং ময়ুমদা হনখ্রে।

পেরিস সেন্ট জর্মেনগী ষ্ট্রাইকর কিলিয়ন মাপে নিংথৌকাবা নুমীৎতা কোভিদ টেষ্ট তৌবদা পোজিটিভ ওইরকপদগী মখোয়গী ট্রেনিং মফমদগী ঙরাংনুংথিল অদুম্মকময়ুমদা হনখিবনি।

ফ্রেন্স ফুটবোল ফেদরেসনগী মায়কৈদগী ফোঙদোরকখিবদা, টেষ্টশিং অদু ঙরাং অয়ুক য়ুরোপিয়ন ফুটবোল এসোসিএসনগী মায়কৈদগী কাঙলোনগী মতুংইন্না শান্নরোয় খূদিংমক্তা তৌবনি। মদুদা মাপে পোজিটিভ ওইরকপদগী ট্রেনিং কেম্প থাদোক্লগা ফ্রান্সতা হনখি। মহাক ঙসি অথেংবদা ক্রোসিয়াগা শান্নগদবা অনীশুবা রাউন্দগী মেচ অদুদা শরুক য়াররোই।

নীংশিংবা য়াবদি, থাংজ নুমীৎতা ফ্রান্সনা নেসন্স লিগকী অহানবা গ্রুপ মেচতা স্বিদেনগা শান্নবদা দ্রো চৎলমগদবদগী ইঞ্জুরি টাইমদা মাপেনা চনখিবা পাঞ্জল অদুনা টিম অদু মায় পাকপা ঙমখিবনি। টিম অসিগী কোচ দিদিয়র দেসকেমসনা ফোঙদোরকপগী মতুংইন্না লিগ অসিগী ওইনা মহাক্কী টিমদা শেমদোক শেমজিন কয়া অমা পাঙথোক্তবা য়াররোই। মরুওইবা শান্নরোয়শিং কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরকখিবশিং অদুনা মরম ওইরগা মহাক্কী লাল্লোংদসু অহোংবা কয়া থল্লগনি হায়খি।

নীংশিংবা য়াবদি, কিলিয়ন মাপে ফ্রান্সকী নেসনল টিমদা শরুক য়াদ্রিঙৈ মাঙওইননা কোভিদ নেগেটিভ ওইখিবনি। মদুগী মতুং স্বিদেনগা শান্নবা থাংজ নুমীৎকী মেচ অদুগী মাঙওইননা য়ুমশকৈশা নুমীৎতা পাঙথোকখিবা টেষ্ট অদুদসু মহাক নেগেটিভ ওইদুনা লাকখি।

অতোপ্পা পাউ অমদা নেসন্স লিগতা শরুক য়ারিবা বেলজিয়মগী টিমগী দিফেন্দর ওইরিবা ব্রেন্দল মিসেলসু ঙরাং কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌবদা পোজিটিভ ওইরকপদগী বেলজিয়মগী অতোপ্পা শান্নমিন্নরোই অমদি সপোর্ট ষ্টাফ পুম্নমকপু অমুক হন্না টেষ্ট পাঙথোক্কদৌরি।

নোংমাইজিং নুমীৎতা বেলজিয়মনা দেনমার্ককা শান্নখিবা মেচতা পাঞ্জল ২-০ দা মায় পাকখিবা অদুদদি দিফেন্দর ব্রেন্দল মিসেল শরুক য়াখিদে। মহাক পোজিটিভ ওইরকপা মরম্না টিম অদুদগী তোল্লগা ময়ুমদা হনখ্রগনি। ফেদরেসনগী মায়কৈদগী ফোঙদোরকখিবদা, লেমহৌবা শান্নরোয় পুম্নমক টেষ্ট তৌগনি হায়রি। অদুবু মতম চানা রিজল্ট ফংগদ্রা হায়বদুদি তন্না ঙমদে।

হৌখিবা চয়োলদা বেলজিয়ম মচা রিএল মাদ্রিদ ফুটবোল ক্লবকী গোল কিপর ওইরিবা থিবোট কোর্তোই কোভিদ পোজিটিভ ওইরে হায়না মীদিয়া রিপোর্টতা ফোঙদোকখিবা লৈখিবদু বেলজিয়ম ফুটবোল ফেদরেসন্নদি রিপোর্ট অদু অরানবনি হায়খি। মহাক্কী ফীভম ফজবা য়ৌদবদগী বেলজিয়মগী নেসনল টিমগী ট্রেনিংদা য়াওদনা স্পেনগী ক্লব ওইরিবা রিএল মাদ্রিদতা হন্দুনা শান্নবা হৌখ্রে হায়রি।

ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টতা থাঙ-তাবু খেলো ইন্দিয়া সেন্টরদা য়াওরক্তবদা পেন্দবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৮ (ঐচ এন এস): খেলো ইন্দিয়া, মিনিষ্ট্রি ওফ য়ুথ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টস, গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা গ্রাসরুট লেভেলদা স্পোর্টস ইকো সিষ্টেমবু চাউখৎনবা হোৎনবদা স্পোর্টস দিসিপ্লিন ১৪ খনগৎপদা ট্রেদিসনল স্পোর্টসকী মনুং চন্না থাঙ-তাসু য়াওরে। মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্ট খরদা খেলো ইন্দিয়া সেন্টর হাংদোক্লুবা শীল্লিবা অসিদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট অমসুং থৌবালগী ওইনদি দিষ্ট্রিক্ট অদুদা থাঙ-তাবু সেন্টর অদুদা য়াওহল্লক্তবগী মতাংদা পেন্দবা ফোঙদোক্লুরক্লি।

ইন্দিয়ানা তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিংদা খেলো ইন্দিয়া সেন্টর ১০০০ শানবা মিনিষ্ট্রি ওফ য়ুথ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টসনা লাউথোকপা লৈখ্রবনি। মণিপুরদা বিষ্ণুপুর, ইম্ফাল ৱেষ্ট, ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং থৌবালদা খেলো ইন্দিয়া সেন্টর শাননবা অয়াবা লৈখ্রবনি।

তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিং অসিগী দিষ্ট্রিক্ট য়ুথ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টস ওফিসরশিংনা খেলো ইন্দিয়া স্কিমগী মখাদা ট্রেদিসনল স্পোর্টস অমা ওইরিবা থাঙ-তাবু য়াওহন্নবা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী অয়াবা লৈরবসু ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট অমসুং থৌবালগী দিষ্ট্রিক্ট য়ুথ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টসনা থাঙ-তাদি য়াওহল্লরোই হায়না ফোঙদোরকপসি য়াম্না লাইবক থীবনি।

মরম অদুনা দিপার্টমেন্ট ওফ য়ুথ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টস, গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরনা দিষ্ট্রিক্ট পুম্নমক্তা খেলো ইন্দিয়াগী মনুং চন্না থাঙ-তাসু য়াওহনবীয়ু হায়না হুয়েন লাল্লোং থাঙ-তা এসোসিএসন মণিপুরগী সেক্রেটরি হৈক্রুজম চাবাবুনা প্রেসতা খঙহল্লক্লি।

ইন্দিয়াগী পেন্টালা হরিকৃষ্ণ য়াওরগনি

ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ০৮ (এজেন্সী): ইন্দিয়াগী চেছ শান্নরোয়শিংগী মনুংদা মমিং লৈরবা অমা ওইরবা গ্রান্দ মাষ্টর পেন্টালা হরিকৃষ্ণ থা অসিগী ১৫দগী ১৯ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা সেন্ট লুই রেপিদ এন্দ ব্লিটজ ওনলাইন চেছ টুর্নামেন্টতা শরুক য়ারগনি।

থা অসিগী ১৫দগী হৌরগা ১৯ ফাওবা চথগদৌরিবা টুর্নামেন্ট অসি য়ু এস দোল্লর ২৫০,০০০গী শেলগী মনা লৈগদৌরি। মসিদা শরুক য়াগদৌরিবা অতোপ্পা শান্নরোয়শিং অদুদি, ৱর্ল্ড নম্বর ৱান ওইরিবা নোর্য়েগী মেগনস কার্লসন, য়ু এস এদগী শান্নরোয় মরি য়াওরি। মখোয়শিং অদুদি, হিকারো নকামুরা, জেফ্রি জিওং, ৱেশলি সো অমসুং লৈনিয়র দোমিনগেজ, রসিয়াদগী শান্নরোয় অনী য়াওরি। মখোয়শিং অদুদি, ইয়ান নেপোমনিয়াচি অমসুং অলেকজেন্দর গ্রিচুকনি। লোয়ননা অর্মিনিয়াগী লেবোন অরোনিয়ন অমসুং ইরানগী অলিরিজা ফিরোজানি।

ওরিষা লৈঙাক্না গ্রাসরুট লেভেলদা ইনফ্রাষ্ট্রকচর ফগৎহনবগী থবকশিং অসি থাগৎনিংঙাইনি : অমিট

বেঙ্গালুরু, সেপ্টেম্বর ০৮ (এজেন্সী): হৌখিবা চয়োলদা ওরিষাগী কোনুং ভুবনেশ্বরদা নেসনল স্পোর্টস দে সেলেব্রেসন তৌবগী মনুং চন্না ষ্টেট অদুগী চীফ মিনিষ্টর নবিন পাটনায়কনা ফোঙদোকখিবদা ষ্টেট অদুদা গ্রাসরুট লেভেলদগী হৌরদুনা শান্নবগী ইনফ্রষ্ট্রকচরশিং অমদি কোচিংগী খুদোংচাবশিং অদু শান্নববু হেন্না চাউখৎপা থাক্তা পুরক্লুবগীদমক হান্না লৈরম্বা ফীভমদগী পাক শন্না হেনগৎহন্দুনা থবক পায়খৎপা ঙম্লে হায়খিবা অদু য়াম্না থাগৎনিংঙাইনি হায়না ইন্দিয়াগী নুপাগী হোকি টিমগী দিফেন্দর অমিট রোহিদাসনা ফোঙদোকখ্রে।

হৌজিক হৌজিক বেঙ্গালুরুদা হোকি কেম্প শরুক য়ারিবা অমিট রোহিদাস ওরিষাগী সুন্দরগরদা লৈবা মীওইনি। দিফেন্দর অমা ওইবদা নত্তনা পেনাল্টি কোনর স্পেসিএলিষ্ট (দ্রেগফ্লিকর)সু ওইরিবা অমিট রোহিদাসনা গ্রাসরুট লেভেলদা চাউখৎননবা অহেনবা মীৎয়েং ওরিষা লৈঙাক্না মীৎয়েং চঙশিল্লিবা অসিনা তুংদা অফবা শান্নরোয় কয়া অমা পুথোকপা ঙম্বগী চাউনা মমি তাই হায়খি।

ওরিষা লৈঙাক্না ষ্টেট অদুদা লৈঙাক্কী অমদি প্রাইভেট স্কুলশিংদা হোকি মশান্নাবু কম্পলসরি ওইনা থল্লকপা অসিনা ষ্টেট অদুদগী ইন্দিয়াগী নেসনল হোকটিমদা য়াওগদবা শান্নরোয় কয়া অমা থোকহনবগী লম্বেল অমা শেল্লিবনি।

হৌজিক্কী মতমদা শান্নবগী দিসিপ্লিন অমা নৎত্রগা অমদা থৱায় য়াওনা কখোকপগা লোয়ননা মতাং চানা শান্নবা হৌরবদি তুংদা মমিং লৈবা শান্নরোয় ওইবদা নত্তনা থবক ফংবগী অৱাবসু ওইরোইদৌরি।

বেঙ্গালুরু স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া সেন্টরদা হৌজিক হৌজিক চথরিবা নেসনল হোকি কেম্পতা শরুক য়ারিবা অমিট রোহিদাসনা থা অসিগী অরোইবা শরুক্তা মমাঙদা পন্দুনা লৈরুরবা ইন্টরনেসনল হোকি ফেদরেসনগী প্রো লিগনা মখা তারকপদা অতোপ্পা য়ুরোপকী টিমশিংনা পেনাল্টি কোনর য়ৈবা মতমদা শীজিন্নরিবা তোঙান তোঙানবা লাল্লোংশিং অমদি অতোপ্পা টিমনা পেনাল্টি কোনর য়ৈশিল্লকপদা ঙাকথোক্লবা হোৎনরিবা অদু য়াম্না কুপ্না য়েংশিনগনি হায়রি।

বেলজিয়মগী মমিং লৈরবা দ্রেগফ্লিকর লোয়ক লুপার্টপু য়াম্না চেকশিন্না নৈনগনি। বেলজিয়মগী হোকি টিম অসি পেনাল্টি কোনর এটেক তৌবদা য়াম্না মমিং লৈবা টিম অমা ওইরিবনি। থা ৫ হেন্না কম্পিটিটিভ ইন্টরনেসনল হোকি শান্নরুদ্রবা মতুং চৎলিবা থা অসিদা হৌগদৌরিবা প্রো লিগ অসিদা তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংগী মায়কৈদগী শান্নরোয়শিংনা করম্না শান্নগদগে হায়বদু য়েংবদা নুংঙাইবা অমা ওইগদৌরি হায়খি।

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal, Printing In-charge : Wahengbam Ranjit; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com